# সেলুলোইদ অমদি মণিপুরী দিজিটেল ফিচর ফিল্ম অনীমক্তা মায় পাক্লা থৌদাং য়ারিবা অইবা - এল ধনচন্দ্র শর্ম্মা




8TH SAHITYA SEVA SAMITI MANIPURI FILM AWARDS, 2019

DHQ : KAKCHING - 795103

NETA IRAWAT LEELAROI LIFETIME AWARD - 2018
(MANIPURI CINEMA)

LAIMAYUM DHANACHANDRA SHARMA

This is to certify that SHRI LAIMAYUM DHANACHANDRA SHARMA since a very tender age worked in more than 12 celluloid and 25 digital Manipuri film as script writer and screen playwright and could achieve a number of awards and honours in his chosen field of the art form. In recognition of his remarkable creativity, contribution and sincere dedication for the upliftment of the Manipuri cinema at a high level, the 8TH SAHITYA SEVA SAMITI MANIPURI FILM AWARDS (SSSMANIFA) has awarded SHRI LAIMAYUM DHANACHANDRA SHARMA the NETA IRAWAT LEELAROI LIFETIME AWARD (MANIPURI CINEMA) on this 10th February 2019.

This award is sponsored by Y. Satya Singh.

(S. Mangoljao Singh) Chairman, Film Forum Manipur — (Kengba Yengkhom) President, Sahitya Seva Samiti, Manipur — (Yumbem Satya Singh) President, Thoona, Manipur — (M. Lakshmikumar Singh) IAS, Commissioner (Art & Culture), Manipur, Chief Guest

মণিপুরী ফিল্মগী অরি- অনৌগী লংদাইদা য়াম্না মরুওইবা মশক নাইবা স্ক্রিনপ্লে রাইটর অমা ওইনা মীয়ামগী পূক্নিং ব্রাখলবু মায় পাক্লা মহাক্কী কলমগী মতেং লৌদুনা হুমদুনা পুরম্বা শক্লাইরবা ফিল্মগী স্ক্রিপ রাইটর অমা ওইনা ওঝা লাইময়ুম ধনচন্দ্র শর্ম্মা থোইদোক হেন্দোক্লা শীংথানবা য়াই।

য়াম্না নৌরিবা মতমদগী কলাদা লুপচবা মীশক অমা ওইনা হৌরকখিবা শক্লাইরবা এল ধনচন্দ্র শর্ম্মা ইং শোক ১৯৪৮গী মার্চকী তারিক ১ দা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা য়াইস্কুল পুলিস লেনদা পোকখি।

জগোয়, ঈশৈ, লীলা, দ্রামানচিংবা পামজবা মীশক ওইনা হৌরকই, ম্যুজিক ইনষ্ট্রুমেন্ট কয়াসু নীংথিনা শীজিন্নবগী গ্যান লৈ। ইনষ্ট্রুমেন্টশিংগী মনুংদা ভাইওলিনদি নীংথিজনা খোঙখি।

১৯৬৬-৬৭ তগী ওল ইন্দিয়া রেদিওকী শোর্ট অমদি ফুল লেংথকী প্লে রাইটর অমা ওইনা লীলা ৩০গী মথক্তা মায় পাক্লা ইখ্রে। লোয়না- লোয়ননা খোঞ্জেল ফজবা, খোন্থোক চুম্বা পায়রক্কি লৌশিং লৈবা ওঝা অসিনা মতম ঈশৈগী অওনবা অমা লাকপা মতমদা শৈশকপশিংগী থৌনা ওইবা অতাবশিংগী পূক্নিং চীংশিনবা ঙম্বা কম্পোজ তৌবা মীশক অমসু ওইনা উন্নহৌবা, তান্নহৌবশিংনা ঙসি ফাওবা শীংথান্নরি।

ডুরদ্রসন কেন্দ্র ইম্ফালদা লৈরকপা মতমদগী হৌনা ইন্টর ভিয়ুজর অমা ওইনা নেরেতর অমা ওইনা অচৌবা থৌদাং য়ারকখি। লোয়ননা রিশাচর, স্ক্রিপ রাইতর, প্রদুসর, ডাইরেক্টর অমা ওইনা পি পি সি নোঠ ইষ্টকী কম্মিসন প্রোগ্রাম ৩০ মুক্তা মায় পাক্লা শরুক য়াখ্রে।

ইম্ফালগী মোইরাংখোম জুনিয়র স্কুলদা ওঝাগী শীনফমদা লৈবা থৌদাং য়াম্বা শক্লাইরবা অসিনা লমদম অসিদা সেলুলোইদ ফিল্মশিংনা খূমাঙ চাওশিননা নম্নরকপা মতমদা মরুওইবা বেন্নর কয়াগী সেলুলোইদ ফিল্ম কয়া অমদা খূৎ থাবা হৌরক্তুনা ফিল্মবু পামজবা ভাবোকশিংগী অরাম খৌরাংবা কোকহন্নবা হোৎনবদা মাঙজিন থাদুনা চৎপা হৌরকখি।

অমরোমদা অয়েংবা ভাবোকশিংবু কপ্পনবা থৌদোকশিং শেম্বদা থোয়না হেন্না হৈ-শীংলবা ওঝা অসিগী মোমোন-মোমোনতা তৌবা, মায় ওনশিনদুনা মায়োক্লরুরবদি মতম কয়াগী মমাঙদগী শকখঙনরক্লবা মরুপ অমা হেক্তমক ওইবা মতৌনা ওঝা অসিগী তোপ- তোপ্পা মগুন অমা ওইরি।

ওঝা অসিনা লমদম অসিগী ফিল্মবু পামজনা হৌগৎলক্লিবা এক্টর, এক্ট্রেস ওইনিংবশিংগীদমক 'ফিল্ম এক্টর এন্দ এক্টিং' হায়না মিংথোনবা চেনা ৩২ পানবা লাইরিক অমা ইং শোক ১৯৯৩ দা ওঝাগী লোইনবী এল রুপবাটি (শান্তি) দেবীনা পাব্লিকসর ওইদুনা পুথোকখ্রে।

এক্টর, এক্ট্রেসতি ওইজনিংবা অমদি এক্টিংগী লৌশিং গ্যান লৈজরবা কয়াদা মতিং ফুদোক্তুনা অফা অপুন য়াওদনা ফিল্মদা উৎথোকচবা ঙম্বা কয়া ভাবক্লা উবা ফংলি অদুগুম্বা মীওই অদুনা ফিল্মগী ওইবা এক্টিং টেক্লিক অমদি দাইলোক দিলিভরি টেক্লিক শিং মতৌ করম্না শীজন্নগনি হায়বনচিংবা তাকপা লাইরিক অমনি।

শক্লাইরবা ওঝা অসি হৌজিক ফাওবদা সেলুলোইদ অমদি মণিপুরী দিজিটেল ফিল্ম ১০০ রোম মায় পাক্লা মীয়ামদা খূদোল তম্বা ঙমখ্রে।

ঙসি ফাওবদা উন্নহৌবা, য়েংনহৌবশিংগী লৈতোন্দা ঙসি ফাওবা লৈরিবা সেলুলোইদ ফিল্ম খরদং পনল্লবদা- কে বি ফিল্মগী 'মাধবী' (১৯৯২), ব্রাইট ফিল্মগগী 'কনাগা হীংহৌনি'(১৯৯৬), বেন্নর অসিমক্কী 'অমম্বসু অঙানবনি' (১৯৯৮), 'ইরাল ওইরগে' (১৯৯৭), 'অরোইবা নত্তে' (১৯৯৯), 'থম্মোয়নদি কৌহৌরি' (২০০০), এস বি এন্দ সনগী 'থব্রানমিচাক্লা কেনখ্রবদা' (২০০১), ব্রাইট ফিল্মগী 'তেনলবা পূন্সিগী ঈশৈ' (২০০২) অমদি 'ঐগীনি খন্না' হায়রিবা ফিল্মশিং অসি অইবা ওঝা অসিগী শীংথানবা য়ারবা সেলুলোইদ ফিল্মশিং ওইরি।

হৌখিবা চহী খরদা য়াম্না খোঙজেল য়াঙনা চেনলম্বা মণিপুরি দিজিটেল ফিল্ম ৯০গী মথক্তা স্ক্রিপ রাইটর অমা ওইনা মীয়ামদা খূদোল তমখ্রবা ওঝা অসিগী ফিল্ম খরাদং মমিং পনবা তারগদি- জি আই ফিল্মগী 'প্রলয়গী মৈরী', তাওরসকী 'ইঙেনগী অতিয়া', জি আই ফিল্মগী 'লমহেল্লবী থম্মোয়সিনা', লিঙজেল মোভিসকী 'থম্মোয়গগী ব্রাহংদুনি', 'ঐদি লানখিদে', মৈতে চনু', 'ঙাওহনবীরে ঐবু', 'মীৎকী কাজল', 'অথেংবদসু থাবল', 'অঞ্জালি', 'ট্রু লভ', নঙগা থেংনরমদ্রবা', 'নপাওদুনি তানিংলিবা', 'ঈঙেলৈ' অমদি 'কাউরগে'নচিংবা ফিল্মশিং শীংথানবা য়াই।

লোয়ননা মশামক্কি বেন্নর অমা রিজিষ্টর তৌদুনা নেরা আর্ট হায়রিবা বেন্নর অসিগী মখাদা 'পায়ল' অমদি 'মাঞ্জা' হায়না মিংথোনবা মণিপুরী ফিচর ফিল্ম অনী অমসু পুথোকখ্রে।

শক্লাইরবা ওঝা অসিগী ওরিজিনেল ব্রাকশিং শকখঙবা ওইনা অহুমশুবা ষ্টেট ফিল্ম ফেষ্টিভেলদা মণিপুরী ফিচর ফিল্ম 'কনাগা হীংহৌনি'না বেষ্ট ফিচর ফিল্ম এব্রার্ড ফঙখি। মরিশুবা ষ্টেট ফিল্ম ফেষ্টিভেলদনা 'ইরাল ওইরগে'দা এব্রার্ড ৪ ফঙখি।

'অমম্বাসু অঙানবনি' দা এব্রার্ড ২ লোয়ননা 'অরোইবা নত্তে' হায়রিবা ফিল্ম অসিদা বেষ্ট ষ্টোরি এব্রার্ড (১৯৯৯) ফঙখি।

হৌজিক হৌজিক মশাগী হকশেলগী খুদোংচাদবা খরদগী অইবগী শীনফম অসিদগী খরামখৈ নাথৈদুনা লৈরিবা ফিল্মগী শক্লাইরবা ওঝা অসিনা লম অসিবু পামজবা অরাকপা কয়াবু লমজিং লমতাকপগী থবক্তিঃ লেপ্তুনা পাঙথোক্লিবা কয়াবু শকখঙবা ওইনা হন্দক্তা সাহিত্য সেবা সমিটি, ককচিংনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা মনিফা এব্রার্ড ২০১৯ দা লাইফতাইম একচিমেন্ট এব্রার্ড পীদুনা ওঝা অসি মণিপুরী ফিল্মগীদমক তৌখিবা থবক থৌরমশিংগীদমক ইকায় খূম্নখি।

লোয়শিনলকপদা সেনি এষ্টির্স এন্দ টেক্লিকেল এসোসিয়েসনগী ফাউন্দর প্রসিদেন্ট ওইরিবা ফিল্মগী শক্লাইরবা ওঝা এল ধনচন্দ্র শর্ম্মাগী লেমহৌরিবা পূন্সিনা মণিপুরী ফিল্মদা অনৌবা খূদোল কয়া লেপ্তুনা তৌবা ঙম্বা ওইরসনু হায়না পাউ চে অসিগী মায়কৈদগী ফাইফ পাউজেল পীজরি।

## ঐচ রাজেসে

# মহৈরোইশিংগী খুদোল




*TITLE,:PAROT*
Y. Lanchenba
Class:II
Sec : A,
Roll No- 10
School:The Blossom School



*TITLE : SCENERY*
**Luwanganba Mayenbam**
Class: I
Sec : ,A
Roll No-10
School:UNIVERSAL STUDENT ACADEMY






*TITLE : WOMAN*
**Ch.Crystal Lama**
Class: VI,
Sec : Amethyst
Roll No- 1
School: HERITAGE CONVENT



*TITLE :SAVE ENERGY*
**Keisam Langlen**
Class: VII,
Sec : A
Roll No- 6
School: Pitambara English School






*TITLE,: SCENERY*
Prithidev Maibam
Class: K.G,
Sec : A,
Roll No- 2
School: UNACCO SCHOOL KHONGMAN





*TITLE,: MANGO*
**Thingjam Yaiphabi**
Class: Pre-Nursery,
Sec : A,
Roll No- 9
School: UNACCO SCHOOL KHONGMAN





*TITLE,: MY DINO WORLD*
**Ariadie Oinam**
Class: Nursery
Sec : A,
Roll No- 30
School: UNACCO SCHOOL KHONGMAN






*TITLE,: KITE*
**Gerish Laimayum**
Class: K.G
Sec : B
Roll No- 27
School: UNACCO SCHOOL KHONGMAN





*TITLE,: SCENERY*
**H. Vishal**
Class: K.G,
Sec : C
Roll No- 27
School: UNACCO SCHOOL KHONGMAN





*TITLE,: FISH*
**Lamjing**
Class: K.G
Sec : C
Roll No- 7
School: UNACCO SCHOOL KHONGMAN





*TITLE,: SHARK*
**Niles**
Class: K.G,
Sec : A,
Roll No- 37
School: UNACCO SCHOOL KHONGMAN





*TITLE,: HOUSE*
**Pariniti**
Class: Pre-Nursery,
Sec : A,
Roll No- 8
School: UNACCO SCHOOL KHONGMAN



Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com